# মমাংগী চেম্পিয়ন এ টি কে মোহন বগাননা চেন্নাইন এফ সী দ্রো চৎখ্রবা মতুং পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে

**30th Dec, Wednesday (43rd Match)**
Hyderabad FC
vs
FC Goa
Time : 7:30 PM



চেন্নাইন এফ সীগী শান্নরোয় (অঙৌবা মচু লিংপা)না মোহন বগাননগী মায়কৈদা হেদ তৌশিনবা

বম্বোলিম, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):
কুমজা২০১৯গী আইএসএলগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা এ টি কে মোহন বগাননা ঙসি বম্বোলিমদা লৈবা জি এম সী ষ্টেদিয়মদা চেন্নাইন এফ সীগা শান্নখিবা চহী অসিগী ৪২শুবা আই এস এলগী লীগ মেটচতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমা ফংখিবা অদুনা মরম ওইরগা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

এ টি কে মোহন বগান মমাংগী মেটচ ৭ শান্নবদা মেটচ ৫ মায়পাকপা ঙমখিবা, মেটচ অমা দ্রো চৎলবা মতুং অতোপ্পা মেটচ অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা লৈরম্বনি। অমরোমদা, চেন্নাইন এফ সীগী টিম মমাংগী মেটচ ৭তা অনী মায় পাক্লগা মেটচ অহুম দ্রো চৎখিবা অমদি অতোপ্পা মেটচ অনী মায়থীবানংখিবনা পোইন্ট ৯ ফংলগা তরেৎশুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদু চেন্নাইন এফ সীগী মায়কৈদগী মায় পাক্তুনা মকোক থোংবা টিম মরিগী মনুংদা চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অমরোমদা, অনীশুবা থাক্তা লৈখিবা এ টি কে মোহন বগাননা মখোয়না লৈরিবা থাক অদু হেন্না চেৎশিন্নবগীদমক পোইন্ট ৩ পামখি।

ঙসিগী মেটচ অদু হৌরকপদা চেন্নাইন এফ সীগী মায়কৈদগী চথুখিবা এটেক অমদা এ টি কে মোহন বগানগী গোল কিপর অরিন্দম ভট্টচার্য্যনা চেন্নাইন সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী কাওশিল্লকখিবা বোল অমা য়াম্না মতাং মতম চানা ঙাকথোকপা ঙমখি। হাফ অদুদা টিম অনীমক লম্বা য়াম্না মান্নবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল চনবগী খূদোংচাবা অদুদি ফংনখিদে।

অনীশুবা হাফকী হৌরকপা মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা চেন্নাইন সিটি এফ সীনা চথুখিবা এটেক অমদা এ টি কে মোহন বগানগী গোল কিপর অরিন্দমনা অমুক্কা হন্না কাওশিল্লকপা বোল অমা মখূৎনা ইনখৎখিদুনা পাঞ্জল ওইরমগদবদগী কনবা ঙমখি। মেটচ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা শান্নবগী মতম লোইশিনখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK Mohun Bagan FC | 8 | 5 | 2 | 1 | 8 | 3 | 5 | 17 |
| 2 | Mumbai City FC | 7 | 5 | 1 | 1 | 11 | 3 | 8 | 16 |
| 3 | Jamshedpur | 9 | 3 | 4 | 2 | 10 | 9 | 1 | 13 |
| 4 | Bengaluru FC | 8 | 3 | 3 | 2 | 11 | 9 | 2 | 12 |
| 5 | Northeast United FC | 8 | 2 | 5 | 1 | 10 | 8 | 2 | 11 |
| 6 | FC Goa | 8 | 3 | 2 | 3 | 10 | 9 | 1 | 11 |
| 7 | Chennaiyin FC | 8 | 2 | 4 | 2 | 7 | 7 | 0 | 10 |
| 8 | Hyderabad FC | 7 | 2 | 3 | 2 | 6 | 8 | -2 | 9 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 7 | 1 | 3 | 3 | 8 | 11 | -3 | 6 |
| 10 | East Bengal Club | 7 | 0 | 3 | 4 | 5 | 13 | -8 | 3 |
| 11 | Odisha FC | 7 | 0 | 2 | 5 | 5 | 11 | -6 | 2 |

# ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীদুনা টেষ্ট মেটচ ৪গী সেরিজদা ১-১দা মান্নবা ঙমখ্রে

মেলবোর্ন, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নরিবা টেষ্ট ক্রিকেটকী ওইবা মেটচ মরীগী সেরিজগী অনীশুবা টেষ্ট মেটচ ঙসি ৱিকেট ৮দা থোইদুনা সেরিজ ১-১দা মান্ননা লৈবা ঙমখ্রে।

থা অসিগী ২৬তগী হৌখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদুগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা ফজবা ঙমদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুবু রন ১৯৫দা লোইশিনখিবনি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংসতা কেপ্টেন অজিনক্য রাহনেগী রন ১১২না মপূং ওইরগা রবিন্দ্র জাদেজাগী রন ৫৭ অমদি সুবমান গিলগী রন ৪৫না মপূং ওইরগা রন ৩২৬ লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ১৩১ হেন্দুনা লৈখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ঙরাং রন ১৩৩ লৌরগা ৱিকেট ৬ আউট ওইদুনা লৈখিবনি।

ঙসি টিম অদুগী মায়কৈদগী কেমরুন গ্রিন অমসুং পেট কম্মিন্সনা আউট ওইদনা লৈখিবা মথংশিংনা রন ১৭ অমসুং ১৫গী মখা চথুরকপদা মখোয় অনীনা অপূনবা



ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা হরাউবা ফোঙদোকমিন্নখিবা

স্কোর ১৫৬ ফাওবা হাপচিনবা ঙমখি। কম্মিন্স ঙরাংগী মহাক্না লৌখিবা রন ১৭ অদুগী মখা তাবা রন ৫খক হাপচিল্লন্নগা অপূনবা রন ২২দা আউট ওইখি। মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী স্কোর বেটসমেন ৭ আউট ওইরগা রন ১৫৬ লৌখি। নৌনা চঙলকখিবা মিচেল ষ্টার্ক অমদি কেমরুন গ্রিননা টিম অদুগী স্কোর ১৭৭ ফাওবা পুখৎলকখি। গ্রিন মশাগী রন ৪৫ শুরকপদা আউট ওইখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংসকী অপূনবা স্কোর অদু বেটসমেন ৮ আউট ওইখিবদা রন ১৭৭ লৈখি।

গ্রিনগী মহুৎ চঙলকখিবা লিওন অমদি ষ্টার্কনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখা তাবা ইন্নিংস অদু শান্নমিন্নরকপদা রন ৫গী পার্টনরশিপ শেন্বা হৌবদা ঙাইরিঙৈ লিওন রন ৩দা আউট ওইখি। মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপূনবা স্কোর ১৮৫ লৈখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ১১শুবা বেটসমেন হেজলৱুদ শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না মিচেল ষ্টার্ককা লোয়নননা হান্না লৈরম্বা রন ১৮৫ অদুগী মখা তারকপা রন ১৫ হাপচিল্লগা স্কোর ২০০ য়ৌরকপদা হেজলৱুদ রন ১০দা আউট ওইখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্লনবা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংসতা রন ৭০ লৌনবগীদমক শান্নরকপদা ওপনরময়াঙ্ক অগরৱাল অমসুং চিটেশ্বর পুজারা মথংশিংনা রন ৫ অমসুং ৩ আউট ওইরবা মতুং গিল অমদি কেপ্টেন রাহনেনা রন ৩৫ অমসুং ২৭ লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৮দা থোইখি।

# কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ন ৱেলস টেন্নিস টুর্নামেন্ট য়ৈথোকখ্রে



লোসএঞ্জেলিস, দিসেম্বর২৯ (এজেন্সী):
চহী খূদিংগী য়ু এস এগী সিটি কালিফোর্নিয়াদা পাঙথোকপা বি এন পি পরিবাজ ওপন হায়নসু খঙনবা ইন্দিয়ন ৱেলস টেন্নিস টুর্নামেন্ট হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা মথং চহীগী মার্চ থাদা পাঙথোক্কদবা অদু য়ৈথোক্লে হায়না মালেমগী নুপাগী টেন্নিসকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা এসোসিএসন ওফ টেন্নিস প্রোফেসনেল (এ টি পি)গী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

টেন্নিসকী লম্দা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট মরি ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন, ৱিম্বলদন, ফ্রেঞ্চ ওপন অমদি য়ু এস ওপন টুর্নামেন্টশিংগী মথংদা মকোক থোংবা টুর্নামেন্ট অমনি হায়না লৌনরিবা ইন্দিয়ন ৱেলস ওপন টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০১৯গী এদিসন অদুসু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা কেন্সেল তৌখ্রবনি। অদুগা কুমজা ২০২০গীসু মতম অদু য়ৈথোকপনি হায়না এ টি পিগী মায়কৈদগী মখা তারি।

এ টি পিগী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা বি এন পি পরিবাজ ওপন (ইন্দিয়ন ৱেলস ওপন) অসি কুমজা ২০২১গী ময়াই চনশিল্লকপা নৎত্রগা লোইরমদায়দা পাঙথোক্লনবা মতম অমা শেম শারি হায়রি।

পনবা য়াবদি, টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০২১গী মার্চ ৮দগী হৌরগা ২১ ফাওবা পাঙথোক্লনবা শেম শারম্বনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মালেমগী নুপা অমসুং নুপীগী মকোক থোংবা শান্নরোয় কয়া শরুক য়াদুনা হৌখিবা চহী কয়াদা পাঙথোক্তুনা লাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোরকখিবা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ওর্গনাইজরশিংনা এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এ টুরগী ওফিসলশিংগা অমদি বি এন পি পরিবাজগা ৱারী শানদুনা হান্না পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা মতম অদুদগী য়ৈথরগা অনৌবা মতম অমা লেপ্পনবা কন্না ৱারী শানরি। টুর্নামেন্ট অসিগী মপূ লেরি এলিসন অমদি কালিফোর্নিয়া ষ্টেটকী হেল্থ ওথোরিটিশিংনা অনৌবা মতম লেপকদৌরি।

# চেলসি অমসুং এষ্টন ভিল্লা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
মালেমগী ওইনা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা চেলসি ফুটবোল ক্লব অমদি এষ্টন ভিল্লা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

চেলসি ফুটবোল ক্লব মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ১৫দা পোইন্ট ২৫ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, এষ্টন ভিল্লাসু মখোয়গী মেটচ ১৩ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ২৫ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৮শুবদা লৈরম্বনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় অমরোম ফাওবা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্মদনা লৈরকখি। শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা চেলসিগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা বেন চিলৱেলনা পীরকপা বোল অমদা ওলিভর জিরোদনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা এষ্টন ভিল্লাগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু থুনা হন্দাকপা ঙমখি। মেটি কেসনা ফংখিবা বোল অমা খায়দোরকপদা টিমমেট অনৱর অল ঘাজিনা ইক্বেলাইজর অদু চনখিবনি। দ্রো চৎখিবনা মরম ওইরগা এষ্টন ভিল্লা ৫শুবা পোজিসনদা, অদুগা চেলসিনা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরি।

# ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগী হেদ কোচ থোমাস টুসেল মহাক্কী ফমদগী তান্থোকখ্রে

পেরিস, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
ফ্রান্সকী নম্বর ৱান ফুটবোল ক্লব ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী হেদ কোচ থোমাস টুসেল ক্লব অদুনা মহাক্কী ফম অদুদগী তান্থোকখ্রে।

পেরিস সেন্ট জর্মেন ফুটবোল ক্লবকী প্রসিদেন্ট নাসির অল খেলাইফিনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা থোমাস টুসেলনা ক্লব অদুগীদমক্তা কুমজা ২০১৮-১৯গী সিজন হৌরকপদা হান্না লৈরম্বা কোচ উনাই ইমেরিগী মহুৎ শিন্দুনা ক্লব অসিগী ওইবা শান্নরোয়শিংগী পর্ফোর্মেন্সতা অহেনবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। মহাক্না ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট লীগ ৱান সিজন অনী থংনা-থংননা লৌহনবা ঙমখি। লোয়ননা অতোপ্পা ফ্রান্সকী ওইবা টুর্নামেন্ট অনীসু ক্লব অদুনা চেম্পিয়ন ওইবদা অচৌবা মতেং পাংখি।



জর্মনি মচা থোমাস টুসেলবু পেরিস সেন্ট জর্মেন ফুটবোল ক্লবকী হেদ কোচ ওইবগী থৌদাং অদু লৌথোকখিবগী মরিক চুম্বা ৱারোলদি ফোঙদোকখিদে। মমাংদা জর্মনিগী ফুটবোল ক্লব বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী হেদ কোচ ওইরম্বা থোমাস টুসেলনা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগী হেদ কোচকী থৌ নৌনা পুরক্লবা মতুংদা ক্লব অদুনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী কেম্প্যেনদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

পনবা য়াই, য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী ফুটবোল টুর্নামেন্টতা পেরিস সেন্ট জর্মেন ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। অদুবু ক্লব অদু জর্মনিগী ফুটবোল ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিকনা ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমহৌখিদবনি। ক্লব অসি হৌজিক লীগ ৱানগী ৩শুবা পোজিসনদা লৈরি।

# খোখো মেটচ অমসুং ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
হৈরোক খোখো ক্লবনা শীন্দুনা ৱান দে ওপন খোখো মেটচ অমা শান্নখিবগা লোয়ননা ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।

হৈরোক অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী গ্রাউন্দদা ঙসি হৈরোক খোখো ক্লব অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টিমগী শান্নরোয়শিংনা ৱান দে ওপন খোখো মেটচ অদু শান্নখিবনি। মেটচ অদুদা হৈরোক খোখো ক্লবনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টিমবু পোইন্ট ১০-৮দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অদু শান্নখ্রবা মতুং হৈরোক খোখো ক্লবনা তোঙান-তোঙানবা মশক নাইরবা খোখো শান্নরোয় অমদি অতোপ্পা মীওই কয়াসু ওকপগী থৌরম পাঙথোকখি।

মণিপুর খোখো এসোসিএসন অমসুং ইন্দিয়াগী ইষ্ট জোন খোখো ফেদরেসনগী চ্যেরমেন ওইরিবা অদুগা হন্দক্তা খেলো ইন্দিয়া টেলেন্ট আইদেন্টিফিকেসন কম্মিটিগী ওইনা নোর্থ ইষ্ট জোনগী মেম্বর খল্লক্লবা এম মধুসুদন য়াওখি। লোয়ননা ২৮শুবা অসাম রাইফলসকী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট ওইনা থৌ পুরবা এন তোম্বসু ওকখি। ঙসিগী থৌরম অদু হৈরোক নগর পঞ্চায়টকী চ্যেরপর্সন এল নুংশিসনানা চীফ গেষ্ট অদুগা ভাইস চ্যেরপর্সন টি ঐচ বিরজিৎনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

# সাউথ অফ্রিকানা স্রি লঙ্কাবু অহানবা ক্রিকেট টেষ্ট মেটচতা ইন্নিংস অমগা রন ৪৫দা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

সেঞ্চুরিওন, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):
সাউথ অফ্রিকানা য়ূম্বু ওইরগা স্রি লঙ্কাগা শান্নবা ক্রিকেট টেষ্ট মেটচ অনীগী অহানবা মেটচ অদু সাউথ অফ্রিকানা য়াম্না হেনবা মওংদা স্রি লঙ্কাবু ইন্নিংস অমগা রন ৪৫দা থোইখ্রে।

টেষ্ট মেটচ অদু থা অসিগী ২৬তগী সাউথ অফ্রিকাগী সিটি সেঞ্চুরিওনদা লৈবা সুপরস্পোর্ট পার্কতা শান্নবা হৌখিবনি। মেটচ অদুগী টোস স্রি লঙ্কানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস শান্নবদা রন ৩৯৬ লৌবা ঙমখি। স্রি লঙ্কাগী মায়কৈদগী মরিশুবা বেটসমেন চান্দিমালনা রন ৮৫ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী অহানবা ইন্নিংসকী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

মশা শোক্তুনা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবা ধনঞ্জয়া দি সিলভানা রন ৭৯ লৌরম্বা অদুনা ২শুবা ফজবা স্কোর ওইখি। ৭শুবা বেটসমেন ওইখিবা সনাকানা আউট ওইদনা বোল ৮৭তা ৬ মঙা অমসুং ৪ অহুম য়ৈরগা আউট ওইদনা রন ৬৬ লৌখিবা অদু য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন দিক ৱেলানা রন ৪৯ লৌখিবা অদুসু পনবা য়াই।



স্রি লঙ্কাবু ইন্নিংস অমগা রন ৪৫দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোয়শিং

সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী বোলর সিপামলানা স্রি লঙ্কাগী বেটসমেন মরি আউট তাহনখিবা অমদি অতোপ্পা বোলর মুল্ডরনা ৱিকেট অহুম লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। সাউথ অফ্রিকানা স্রি লঙ্কাগী অপূনবা রন ৩৯৬কী পাউখুমদা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ৬২১ লৌখি। ৪শুবা বেটসমেন ফাপ দু প্লেসিসনা য়াম্না ফজবা মওংদা রন ১৯৯ লৌদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ওপনর এলগরনা রন ৯৫ লৌখিবা, ৬শুবা বেটসমেন বাভুমানা রন ৭১ লৌখিবা, ৮শুবা বেটসমেন মহারাজনা রন ৭৩ অমসুং টিম অদুগী অতোপ্পা ওপনর মারক্রামনা রন ৬৮ লৌখিবা অদুনা সাউথ অফ্রিকাগী অহানবা ইন্নিংসকী অপূনবা স্কোর অদু ৬২১ য়ৌদুনা স্রি লঙ্কাদগী মখোয়না রন ২২৫ হেন্দুনা লৈখি।

স্রি লঙ্কানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু রন ১৮০দা লোইশিনখিবদগী সাউথ অফ্রিকানা লৌখিবা রন অদু য়ৌগদবা রন ৪৫ ৱাৎতুনা ইন্নিংস অমগা হাপচিল্লগা মায়থীবা নংখি।

# অম্ফানা কোচ অহুম খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মায়কৈদগী ঙসি জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না থা অসিগী ৩০দা ক্ষেত্রিগাওদা লৈবা অবাগী শান্নবুংদা এন টি কোচিং কেম্পকীদমক কুমজা ২০০৫ অমদি ২০০৬কী মনুংদা লৈবা নুপীমচা শান্নরোয়শিং স্ক্রিনিং তৌননবা কোচশিং খনখ্রে হায়রি।

স্ক্রিনিং টেষ্ট অদুদা ওফিসল ওইগদবা কোচ অহুম অদুদি এস অমুতোম্বী, এস মনিরতন অমসুং এম কে কেদিদ মরিংনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

অতোপ্পা অম্ফাগী চেরোল অমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা অম্ফা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা ক্লবশিং অদুগী মেনেজরশিংগী ওইবা মীফম অমা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৫গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা অম্ফাগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মীটিং অদুদা মণিপুরদা লৈরিবা অম্ফা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা ক্লবশিংগী মেনেজরশিংনা শরুক য়াগদবনি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

# সার্নোবট অমসুং সাৱান্ট মতেং ফংগদৌরি

মুম্বাই, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী-দমক শেম শাবদা মতেং ওইননবা মহারাষ্ট্র লৈঙাক্না শেলগী মতেং পীবদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শুটর অনী রাহি সার্নোবট অমসুং টেজাস্বিনি সাৱান্ট য়াওখ্রে।

ঙসি মুম্বাইদা লৈবা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেগী ওফিসল রেসিদেন্সতা মহারাষ্ট্রগী শুটর অনী রাহি সার্নোবট অমসুং টেজাস্বিনি সাৱান্ট ওলিম্পিক্সকীদমক শেম শাবদা মতেং ওইনবগীদমক শেল ওইনা লুপা লাখ ৫০/৫০ পীখি। চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতগী থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না ষ্টিপলচেসকী এথলিট অভিনাস সাবলে অমসুং আর্চর প্রভিন যাদবতসু শেলগী মতেং ওইনা লুপা লাখ ৫০ পীগদৌরি। পেরালিম্পিয়নশিংগী ওইনসু ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চপ মান্নবা শেলগী মতেং পীখি।

# কুমজা ২০২১ লাকপদা মীপূম খূদিংমক্কী অফবা ওইগনি : মোদগিল

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২০দা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেম শীনবা থুংনা অৱাবা চৈথেং পীখ্রবা মতুং লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২১না শান্নরোয় খক্তা নৎতনা মীয়াম পূম্নমক্কী অফবা ওইরসনু হায়বগী ৱাখল্লোন অদু ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শুটর অঞ্জুম মোদগিলনা ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৮দা সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা শুটিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবী শুটর অঞ্জুম মোদগিল টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবা শুটর অমনি। অদুবু কুমজা ২০১৯



লোইশিল্লকপা অমদি চহী অসিগী হৌরকপদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শান্নবগী হীরম খূদিংমক লেপ্তুনা লৈখি।

লৈবাক খূদিংমক্তা থম্নখিবা লোকদাউনগী মতমদা অঞ্জুম মোদগিলনা চয়োল অমগী মনুংদা ট্রেনিং অনীরক তৌদুনা মহাক্কী মশান্না অদুদা অশোয়বা য়াওদনবা অমদি পাঙ্গল হেনগৎনবগীদমক্তা য়াম্না কন্না হোৎনখি। শান্নরোয় খূদিংমক্না মখোয়গী চিল্লবা সেদ্যুল্ডশিং অদু কায়থোক্তুনা ময়ূম-ময়ূমদা হন্দুনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা পোত্থাবা পাম্নদবা লৈতে। অর্জুনা এৱার্দসু ফংখ্রবী অঞ্জুম মোদগিলনা মশাগী করিয়রদা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা মেক্সিকো শুটিং ৱর্ল্ড কপতা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি।

মহাক্না হৌখিবা কমনৱেল্থ গেমসতসু মেদল কয়া লৌবা ঙমখি। হৌজিক মালেমগী অতোপ্পা শুটরশিংনা মশা-মশাগী পর্ফোর্মেন্স হেনগৎননবা কন্না হোৎনরি।

EMPLOYMENT NEWS

☞ 22 to 28 yrs Office Asst. ওইনবা মীওইশিংগী ওইনা Thoubal, Kakching, Sekmai, Nambol অমসুং Samurou গা নক্লবা মীওইশিংগী ওইনা Post 2/2 পামজৈ।

☞ 2 Wheeler Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Tyre Fitting Helper 2, Iron W/Mistry 2, চেক্কী Mistry 2, Jugali 5 অথুবদা পামজৈ।

Please Contact :
M.B. Singh
Mobile No. 8413973840

HL-B/6497/18-30 (alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com